# ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মীপুম খূদিংমক ৱাখল তাবীরো, মীরেপশিংনা ইনশিল্লগা চৎপীগনু : রোবিন্দ্রো



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা ময়াং ইম্ফাল এ সীদা পামদবা থৌদোক অমদি খৎন-চৈনবদা থোকহন্দনবা এ সী অসিগী মীপুম খূদিংমক ৱাখল তাবীরো, মীরেপশিংনা ইনশিল্লগা চৎপীগনু হায়না ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা নৌনা শেমগৎ-শাগৎখিবা কোঞ্চাক মমাঙ লৈকায় পব্লিক প্লে গ্রাউন্দ শঙ্গারদুনা মথক্কী ৱাফম অসি দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবনি।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা কে রোবিন্দ্রোনা মখা তানা হায়খি, ময়াং ইম্ফাল এ সীদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওই লৈরিবা কোঞ্চাক্তা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা কোংগ্রেসকী ৱার্কর ফূরল্লে হায়না লান্না চার্জ তৌরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী মীদিয়াগী থোঙদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অসি তাবদা অঙকপা ফাওই। কোংগ্রেসকী হোম পোল্লিং বি জে পিগী ৱার্কর ঙাক্তা ঙাইরব্রা নৎত্রগা কোংগ্রেসনা ওইদবা ঙাংব্রা করিনোমা অমদি তৌরে। ময়াং ইম্ফাল এ সী অসি খুমননা কোনবা লমনি। মীখলদা ঈরাং থোক্লবা হোৎনবা, ঙকচাও থেকপা, ওইদবা ঙাংবা, অরানবা তৌবা মীওইনা অদুম্মক চৈরাক ফংজসনু। ঐহাক্না অরানবা তৌবা ওইরগনা ঐহাকসু চৈরাক ফংসনু। ঙসি ফাওবদা কোংখামগী ইমুংনা এ সী অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অমদি ঈং-তপ্পা মওংদা মীখল পাঙথোক্লনবা হোৎনদুনা লাক্লি। এ সী অসিগী ইমুং অমত্তদসু খৎনবা হৌখিবা লৈতে। ঙসি প্লে গ্রাউন্দ অসি শঙ্গাবা লাকপগী লম্বীদা কোংগ্রেসকী মীরেপ অদুনা ইনশিল্লগা মহাক্কী ৱার্কর খরনা ঈরাং শাগৎননবা অমদি ঈরাং থোক্লনবা হোৎনখি। মফম অদু ফাওদুনা নম্ফুন্দা সিক্যুরিটি শীজিন্নরগা লাকপা য়াই। অদুবু পামদবা থৌদোক অমদি অশোক অপন থোকহনবা খক পামদে। অশোক-অপন থোক্কদৌরিবা অদু এ সী অসিগী মীয়ামনি। মীখলগীদমক এ সী অসিগী মীয়াম অশোক-অপন নংবা খক পামদে। ঐহাকপু শৌগৎপা বি জে পিগী ৱার্করবু ওইগেরো, অতোপ্পা পার্টিগী ৱার্করবু ওইগেরো পুম্নমক ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মীওই ঙাক্তনি।

মমাঙগী মীখলদা এ সী অসিদা পার্টি কয়াগী ৱার্করশিংগী মরক্তা খৎন-চৈনবা থোক্তুনা নোংমৈনা পানবা অমদি নুঙনা পান্দুনা অশোক-অপন নংখিবা অমসুং শোয়নাইবগী ফীভমদা লৈরিবা মীয়াম্বু ঙসি করম্বা মীরেপনা হংবা চৎলিবগে। মীয়ামগী মীহুৎ ওইগে হায়না থোরক্লবদি এ সী অসিগী মীয়াম্বু চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংবা ঙম্বা তাই। পোলিটিক্স তৌবদা অমদি মীখলগা মরী লৈননা মীয়াম শোকহনগুমসি। মীরেপ ওইগদৌরিবশিংনা মাগী মাগী এরিয়াদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহল্লোই হায়না থৌদাং লৌমিন্নসি। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক পীজদুনা অমদি খুৎশু-খুৎলায় পীশিন্দুনা ঈরাং থোকহন্ননবা হোৎনবীগনু। মীয়াম্না অপাম্বা মীরেপতা ঈং-তপ্পা ভোট থাদহনসি। কিহন-খঙহনবা তৌবীগনু হায়নসু কে রোবিন্দ্রোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লৈঙাক্না মমিংতগী ওইনা থম্বীরে : এম এম দব্লিয়ু ও

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মাইনোরিটিজ এন্দ অদর বেকৱার্ক ক্লাসেস (এম ও বি সী) দিপার্টমেন্ট অসি ঙসিগী বি জে পি লৈঙাক্না মমিংতগী ওইনা থম্বীরে হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) কৈরাও ব্রাঞ্চকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এম এম দব্লিয়ু ও কৈরাও ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি শঙ্গোমসুম্বম এম দি নসির অলিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্সকী ফন্দিং মখাদা লমদম অসিদা লৈরিবা মাইনোরিটিশিংগীদমক্তা পায়খৎপীরক্তুনা সোসল্লি, ইকনমিকেল্লি বেকৱার্দ ওইরবা মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিং অমদি অতোপ্পা কম্যুনিটিশিংগা হীরম খূদিংমক্তা থোং মান্ননা চাউখৎমিন্ননবা লৈঙাক অসিনা হোৎনবীরি। হায়রিবা মাইনোরিটিশিংগী ইকনমিক দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামশিংগী মখাদা তোঙান তোঙানবা ট্রেদ কয়াদা পীরম্বা স্কিমশিং চহী-চহীগী ককথরক্তুনা ট্রেদ ৩/৪ খক্তা ঙাইশিল্লক্লে। মসিদসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ফন্দ পীরক্তে হায়দুনা বেনিফিসরি মশীং খরা খক্তমক হায়দোকপীননবা হোৎনরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগী সেন্টিমেন্ট য়াম্না শোক্কদবা থবক অসি অমুক হন্না তৌবীগনু। কোভিদ পেন্দমিক্কী খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা নোংমগী শুরগা নোম্লগা চাজবশিংদা প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লরি অমদি শেন্থোক লম্বী লৈজদবশিংগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্ননবা ঈ দি পি স্কিমশিংগী মখাদা তোঙান তোঙানবা এপ্লিকান্টশিং কৌখ্রগা বেনিফিসরিশিংগী সেলেক্সন লিষ্ট হায়দোক্না লৈরিবা অসি দিপার্টমেন্টকী করি অশোনবা লৈবননো। ঈ দি পি স্কিমশিংগী বেনিফিসরি খনবগী লিষ্ট অসি অথুবা মতমদা হায়দোকপীদ্রবদি এম এম দব্লিয়ু ও কৈরাও ব্রাঞ্চ অমদি লূপ অসিগী তোঙান তোঙানবা ব্রাঞ্চশিংনা এম এম দব্লিয়ু ও হেদ ক্বার্টরগী লমজিং মখাদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

## মীলালনা শৌগৎলি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মতম শাংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম)না য়েলহৌমী কন্ননবা মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনবীয়ু হায়দুনা লৈঙাক্তা তক্কদুনা লাক্লি। মসিগা মরী লৈননা মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্ননবা মণিপুর লৈঙাক্না রেকমেন্দেসন থাবীদববু য়ানিংদে হায়দুনা টোটেল সটদাউন তৌগনি হায়রিবা অসি মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল)না শৌগৎলি হায়না মীলালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মাইবম ইন্দ্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# হূই লোইবা মীওইশিং



## পেন্দমিক মনুংদা দিপ্রেসনগী সিম্পটমশিং মায়োক্লবগী চাং নেমখি-২

ষ্টদি সর্ভে অদুদা তোঙান তোঙানবা দেমোগ্রাফিক ক্লেসনশিং, লোয়নননা রেস্পোন্দেন্টশিং অদুনা লোইরিবা হূইশিং অদুগী মরমদা হংবা ৱাহং কয়া অমসু য়াওখি।

ডা. মার্টিননা হায়খি, খ্বাই মীয়ামগুম্না দোগ ওনরশিং অমসুং পোটেন্সিয়ল দোগ ওনরশিংসু পেন্দমিক অসিনা শোকহনখি। অপূনবগী ওইনা ঐখোয়গী রেস্পোন্দেন্টশিংদুগী চাদা ৩৩না মখোয়গী হকশেলদা পেন্দমিকনা খজিক্তংদগীনা য়াম্না কা হেন্না শোকহনখি হায়খি, চাদা ৪৫না মখোয়গী শেল-থুমগী ফিভমবু খজিক্তংদগীনা য়াম্না কা হেন্না ফিভম শোকহনখি হায়খি, চাদা ৬৭না মখোয়গী ইমোসনবু খজিক্তংদগীনা কা হেনবা চাং ফাওবা শোকহনখি হায়না ফোঙদোকখি, অদুগা চাদা ৭২না মখোয়গী পুন্সি মরেলগী ফিভমবু খজিক্তংদগীনা য়াম্না কা হেনবা চাং ফাওবা শোকহনখি হায়খি হায়নসু ডা. মার্টিননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মসিগীসু মথক্তা, রিছার্সরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্টকী রেস্পোন্সশিং অদুবু তোঙান তোঙানবা সাইকোমেট্রিক স্কেল তরুক শীজিন্নদুনা ইভাল্যুএট তৌখি। স্কেলশিং অদুদি–

পেট এটিট্যুদ স্কেল: স্কেল অসিনা মীওই অমনা মখোয়গী হূই (পেট) অদুদা লৈবা পোজিটিভিটি অদু ওল্লী।

মিল্লর-রাদা কম্মিটমেন্ট টু পেট্স স্কেল: হূই লোইরিবা মীওই অমনা পেট অমদা মতম, ইনর্জি, অমসুং রিসোর্স কয়ামুক য়াম্না পীনবা খনবগে হায়বদু স্কেল অসিনা এষ্টিমেট তৌই।

মল্টিদাইমেন্সনেল স্কেল ওফ পর্সিভ সোসল সপোর্ট: মীওই অমনা সোসল সপোর্ট কয়াম ফংই হায়না ফাওবগে হায়বদু খঙদোক্লবা রিছার্সরশিংনা স্কেল অসিবু শীজিন্নে।

সেন্টর ফোর ইপিদেমিওলোজিক ষ্টদিজ দিপ্রেসন স্কেল-রিভাইস্দ: মীওই অমদা দিপ্রেসন লৈরক্লবগী ক্রাইটরিয়া অদু য়ৌহনবা ফিভমশিংবু স্কেল অসিনা য়েংশিল্লি।

জেনরেলাইজ্দ এঞ্জাইটি দিসওর্দর স্কেল: রিছার্সরশিংনা স্কেল অসিবু এঞ্জাইটিগী চাং ওন্নবা শীজিন্নে।

ওক্সফর্দ হেপিনেস ক্বেসন্যের: মসি মীওই অমগী হরাও-নুংঙাইববু চাং ওন্নবা টেক্নিক অমনি।

রিজল্টশিং টেব্যুলেট তৌদুনা ডা. মার্টিননা হায়খি মদুদি, পোটেন্সিএল দোগ ওনরশিংগা চাংদম্নবদা দোগ ওনরশিংনা সোসল সপোর্ট হেন্না শীংথানিংঙাই ওইবা চাংদা ফংবগী রিপোর্ট তৌখিবা মখোয়গী টিমনা থেংনখি।

‘পোটেন্সিএল দোগ ওনরশিংদগী দোগ ওনরশিংনা দিপ্রেসন স্কোরসু হেন্না শীংথানিংঙাই ওইনা নেম্বা থেংনখি, অদুবু হায়রিবা মীওই কাঙলুপ অনীমক অসিগী এঞ্জাইটি অমসুং হেপিনেস স্কোরশিংদি চপ মান্ননা লৈখি’ হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ডা. মার্টিনগী মতুংইন্না, রিজল্টশিং অদুনা উৎলি মদুদি, হূই লোইবনা মীওইবদা হেন্না মপাঙ্গল কনবা সোসল সপোর্টকী ৱাখল অমা পীরম্বা য়াই, মসিনা মরম ওইরগা, কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা পীবা নেগেটিভ সাইকোলোজিকেল ইফেক্ট খরবু নেমথহনবদা মতেং পাংবা ঙম্লম্বা য়াই হায়খি।

ষ্টদি অদুগী লিমিটেসনশিংগী মতাংদা পল্লদুনা সান এন্টোনিওদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস হেল্থ সাইন্স সেন্টরগী জো আর. এন্দ টেরেজা লোজানো লোং স্কুল ওফ মেদিসিনদা দিপার্টমেন্ট ওফ সাইক্যাট্রি এন্দ বিহেভিয়রেল সাইন্সেসকী এদজঙ্ক প্রোফেসর ডা. ষ্টেফেন এল. ষ্টর্ননা ষ্টদি অসিগী মওং-মতৌ অমদি ৱারোইশিননচিংবা অদুগী মতাংদা ৱাফম খরা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ষ্টদি অদুগী সেম্পলশিং অদু য়াম্না পাক চাউরজরগসু, মখোয়শিং অদুনা কয়া য়াম্না জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মহুৎ শিনবা য়াবগে হায়বদু ময়েক শেংদে।

মসিগীসু মথক্তা, কন্ট্রোল গ্রুপকী মেম্বরশিং অদুগা দোগ ওনরশিংগগী মরক্তা হূই লোইবা/লোইদবদু নত্তবা অতোপ্পা হীরমশিংদা খেন্নবা লৈরম্বা য়াই। কাঙলুপ অনী অসি সর্ভে চত্থবা মতম অদুদা পেন্দমিক্না শোকহনবগী ফিভম খেন্নবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ওইরম্বসু য়াই হায়নসু ডা. ষ্টর্ননা মখা তানা ফোঙদোকখি।



আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## লোতিকা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরগনি লাউথোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইরিবী এল লোতিকা উরিপোক এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরগনি হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে।

নাওরেমথোংদা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখলদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরগনি হায়না লাউথোক্লদুনা এল লোতিকানা হায়খি, বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নুপী ওইবীশিংবু হেন্না মপাঙ্গল লৈহন্ননবা হোৎনজরকপগী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখল অসিদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইবা মতম চারে হায়বা ৱাখল্লোন্দা মীরেপ ওইননবা থোরকপনি। মণিপুরবু অফবা মায়কৈ অমদা পুননবা হোৎনবদা নুপী ওইবীশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। অদুবু ঙসি ফাওবা নুপী ওইবীশিংবু মপুং ফানা দিসিজন মেকিংদা য়াওহন্দ্রি। পার্টিগী কর্ম্মি অমা ওইনা লৌফম থোকপা থৌদাং খঙনা লমদমসিগী নুপী ওইবীশিংগী খোল্লাও মীপুম খূদিংদা য়ৌহনবা হায়বসি ঐহাক্কী পান্দম ওইগনি। নাকল অমরোমদা, ষ্টেট অসি লায়রবনা মশীং য়াম্না লৈবা লমদম অমা ওইবনা মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফৎতবগী খুদোংচাবা লৌরগা ভোটতা শেল অমদি পৱার কা হেন্না শীজিন্নবগী থৌওং অমা চত্থরক্লিবা অসিমক য়াম্না নুংনাংনিঙাই ওইরি। মসি তৌহন্নিংদে। উরিপোক এ সীদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কয়া থোরক্লিবা অসিমক পার্টি অসিবু নুংশিজবা, পামজবা মীওই কয়া লৈ হায়বগী খুদমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখলদা পারা তম্বীদুনা মীয়াম্না য়ানিংদ্রে হায়বদু উৎমিন্নরসি : মোংজম পোইরৈহেনবা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): লম্লাই এ সীদা মীহুৎ ওইখিবশিংনা মশাগীতা খল্লগা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থাদরকপা শেনফম কয়াবু ফুরিৎখাউদা হাপচিন্দুনা মরন্নাই ওইবা লন-থুম লেপশিল্লগা মীখল মতমদা মীয়াম্বু করিসু লৈতনা উবগা লোয়নননা শেল খরা পীরগা ভোট লৈরগা কাগনি হায়না লৈনরি। অসিগুম্বা লুচিংবনি হায়রিবশিং অসি লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখল অসিদা পারা তম্বীদুনা মীয়াম্না য়ানিংদ্রে হায়বদু উৎমিন্নরসি হায়না লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা লম্লাই এ সীদা আর পি আই (এ)গী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা মোংজম পোইরৈহেনবনা ফোঙদোকখ্রে।



মোংজম পোইরৈহেনবনা লম্লাই এ সীগী মনুং চনবা ভোটর য়াম্না লৈতবা, এ সী অসিগী মীহুৎনি হায়রিবশিংনা নীংথিনা মীৎয়েং চঙবীদ্রবা ক্লব লৈজদ্রবা খুলশিংগী ক্লবকী শঙলেন শাগনি হায়না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক হৈরোক য়ুথ ক্লবকী শঙলেন শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে। ঙসি অয়ুক নোংপোক হৈরোক্কী অহল-লমনশিং, ইমা-ইবেলশিং অমদি লৈকায়গী নহা কয়াগা লোয়নননা ক্লবকী শঙলেন শাননবা উরেপ-উয়ুং তমখিবা অদুগা মরী লৈননা মথক্কী ৱাফম অসি মোংজম পোইরৈহেনবনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা লম্লাই এ সীনা হীরম কয়াদা শোত্থদুনা লৈরিবা অসি উবদা থংনরিবা এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মমাঙদা ঈকায়বা ফাওই। লম্লাই এ সীদা মতিক চাবা মীহুৎ অমত্তা লৈরমদবা অমদি মীহুৎ ওইখ্রবশিংনা এ সী অসিদা লৈরিবা মফম খূদিংমকপু চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংলমদবগা লোয়নননা মখোয় মখোয়গী ভোট ফংবা মফমখক্তদা মীৎয়েং চঙলম্বা অদুনা হৌজিক্তি এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা মফমশিং অসি চাউখৎপগী থাক্তা মফম অমগা মফম অমগা খেন্নবা কয়া লৈরি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবদি ভোট পীবা পীদবা থিদনা এ সী অসিগী মীপুম খূদিংমকপু মহাক্কী মী ঙাক্তনি হায়না লৌবগা লোয়নননা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপীগদবনি।

লৈকায় অমা, খুল অমা লৈবা তারবদি লৈকায় অদুগী অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎননবা ক্লব অমা থম্বা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে। ক্লব অমা লৈবা তারবদি লৈকায়গী, খুলগী চাউখৎ থৌরাং নৎত্রগা ইস্যু অমা থোক্লকপা মতমদা ক্লবনা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবনি। মরম অদুনা মপাঙ্গল কনবা ক্লব অমা লৈহন্দুনা হৌজিক্তি চাউখৎ মায়কৈরোমদা খোঙ থাংজিনবা হৌরবনি। ঙসি উরেপ-উয়ুং তল্লিবা ক্লব অসি নুমীৎ ১০নিগী মনুংদা শাবা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীননবা এম এস এফনা আপীল তৌরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ খূদিংমক লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীননবা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না আপীল তৌরক্লি।

এম এস এফকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি মুতুম নোংদম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর খুন্নাই অমা চাউখৎননবা হোৎনবদা মহৈরোয়শিংগী অচৌবা থৌদাং কয়া লৈ। মহৈ-মশিন নীংথিনা তমদুনা তুংগী য়ুম্বী ওইরক্তুনা তুংলমচৎপু ঙাক্লক্কদৌরিবনি। চহী কয়াদগী এম এস এফনা কেলেন্দর প্রোগ্রাম অমা ওইদুনা চত্থদুনা লাক্লিবা ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা একাদেমীক কেম্পেয়ন অসি হেন্না মপুং ফাহন্দুনা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিং, ওজাশিং লোয়ননা মপী-মপা ওইরিবা কয়াগী মতেংগা লোয়ননা তাকপী-তম্বীবগী অনৌবা মায়ওন অমা পুরক্লবগীদমক মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না মতম শাংনা চঙশিন্দুনা লাক্লি। ইরমদম অসিদা এদ্যুকেসন পীবগী অমদি ফংহনবগী থৌওং অসি অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরি। মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না লিশাং শিৎনা চত্থরকপা ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা একাদেমীক কেম্পেয়নগী মনুং চন্না এদ্যুকেসন অসিবু হেন্না ফগৎনবা পান্দমদা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিংদা চৎতুনা সর্ভে চত্থদুনা লাক্লি। হৌখিবা দিসেম্বর ১৭তা এম এস এফকী টিম অমনা বুধিমঞ্জুরি হায় স্কুলদা য়েংশিন-খোঙচৎ চৎলুবদা স্কুল অমা ওইবগী ক্লাসরুম, থক্লবা ঈশিং অমদি ওজা মশীং য়াওনা হীরম কয়াদা মতিক চানা লৈরমদবা থেংনখি। খোংহাম্পাৎ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা হীরম খূদিংদা ফীভম শোক্তুনা লৈরমখি। অদুগা হৌখিবা দিসেম্বর ২০দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনাম গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল (হায়র সেকেন্দরি ওনখ্রবা)দা সর্ভে চৎলুবদসু ফীভম শোক্না লৈরম্বগা লোয়নননা স্কুল অসিদা ইকনমিক্স, এদ্যুকেসন, হিষ্ট্রি অমদি কেমিষ্ট্রিগী ওজা অমত্তা লৈরমখিদে। মতমগা চান্নবা মওংদা লৈরমদবা অমদি হায়র সেকেন্দরি ওল্লক্লবসু সাইন্সকী সবজেক্টশিংগী প্রক্টিকেল লেব নীংথিনা থম্বীদবনা মহৈরোয়শিংনা অৱাবা মায়োক্লরি। হায়রিবা স্কুল অনী অসি হৌখিবা ওগষ্ট ২৭তা মণিপু লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না হায় স্কুল ৯ হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা লাউথোকপদা অহুমশুবা অমদি তরুকশুবদা য়াওখিবনি। থা অহুম হেল্লক্লবা ফাওবদা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমা ওইবগী লৈফম থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ওজা মশীং, শান্ন-খোৎনবগী মচাকশিং, লাইরিক পাফম (লাইব্রেরী) অমদি অতৈ অতোপ্পশিং লৈরমদবা অসি এম এস এফনা হকচিন্না লৌই। ইরমদম অমদি ইরৈচাশিংগী ওইবা অচুম্বা ঈ-পাউ অমদি নৈনবা ৱাৎপা, ভেল্যু বেজ এদ্যুকেসন ৱাৎপা, মোরেল টিচিং হন্থরকপা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চানা লৈতবা, মতমগা চান্নবা ইন্সটিট্যুটশিং অসিবু শেন্দালফম ওইনা উন্নরকপা অমদি শেঞ্জা-থুমজানা হেল্লকপনা এদ্যুকেসন শোকথরকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইরিবনি। মরম অদুনা হায়রিবা স্কুল অনীসিখক্তা নত্তনা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ খূদিংমক মহৈরোয় খুন্নাই অমদি মীয়ামগী য়াইফননবা লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## *লাল্লিবসি কনানো* ফোঙলগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ২৪দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কোর্ট হোলদা জিলা লৈশাংথেমনা ইবা দ্রামাগী লাইরিক *লাল্লিবসি কনানো* হৌনবী মতুংইন্না ফোঙলগনি হায়না পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন, ফোরমগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাংনা থৌরম মপু অমদি এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর দব্লিয়ু চান্দবাবুনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি। *লাল্লিবসি কনানো* হায়বা দ্রামাগী মরমদা এম য়ুগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. কে শান্তিবালানা ৱা ঙাংগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## রিকগনাইজ তৌরবা হায়গদবনি

পাউচে অসিগী দিসেম্বর ২২গী চেফোঙগী অনীশুবা লামায়দা য়াওখিবা য়েংখোম নেত্রামনি কোলেজ ওফ নর্সিং হাংদোকখ্রে হায়বা হেদলাইনগী মখাদা য়াওখিবা পাউগী অহুমশুবা কলমদা ইন্দিয়ন নর্সিং কাউন্সীল অমসুং মণিপুর নর্সিং কাউন্সীল অনীনা রিকগনাইজ তৌদবা হায়খিবা অদু রিকগনাইজ তৌরবা হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩। ১২। ২০২১ ইং, শগোলশেল;
পোইনুগী ১৯নি পানবা।

মেষ: লাইবক ফবা ৱাৎলি, অকল অথৌগী থবক্তা থৱায় য়াওগনু অমদি য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবীগনি। অদুবু ইমুং-মনুং, শাগৈ অমদি মীয়াম্না য়ানবা চৎলদি ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃষ: নিংজবা ফংগনি, খুৎ চাওবগী কান্নবা ফংগনি অমদি লেঙদবা লন চাওখৎপগী নুংঙাইবা লৈগনি। ঙাং-শকপদা মীনা থাগৎপিগনি। অঙম্বনদি ৱারৌবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: অনিংবা অপাম্বা থবক পাঙউ হায়বা লৈ-চিংনগনু ফরে খনবা থবক পাঙহৌবা য়াগনি। চথোকপদা মীতোপ নৎত্রগা মহু চাওবদগী পেন্দবা নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- লানগে খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: ঙসিসু হরাওবা নুংঙাইবা অমদি লন চাওখৎনবগী লমদা ইচঙ থৌবা অমদি কান্নবসু ফংবা নুমিৎনি। মরুপ মপাং অমদি মীয়ামগী মতেংদি ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: য়েৎনবা য়াবা থবক্তা থৌনা ফরুনু অমদি খাঙবা কল্লু। চিন কনবা অমদি অরং-অরাক পীথোকপা য়াদে। নচা-ননাই অমদি লৌশিংনা পাঙ্গল ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: পল্লম্বা শেল ফংবগী নুংঙাইবা, মীচঙ খোম্বা মতাং চাবা অমদি শেন্দোং য়াম্না ফংগদবা নুমিৎনি। নথক থোংবদা হুরানবনা লান্না তমশিনবীবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: নিংবা থুংবা, মীনা লাকচবা ঙমদবা, পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা খুদক্কী ৱারেপ লৌবা ঙম্বা অমদি থবক্কী লমদা চাওনা মায় পাকচবগী নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

বৃশ্চিক: খোয়রাং-খোয়শাওনবা ফাথৌ অমদি মরম চাদনা খুৎ চাওগনু। অরুবা ৱা নতোমতা তুপথোক্লনু-য়ারগদি মরুপ মপাং লোইনৌ, ইমুংগী ৱা তাও।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

ধনু: ঈকাই নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংগনি অমদি হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎলি। ঙসিনা লোইবা নত্তে-খোঙফম অমা-অনি হন্দোকউ। অরিবা থবক্তি পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর: লাইবক ফরে, মীচঙ হেনগৎলে অমদি শেন্দোং তানবদদি লাম্বা লৈতনা কান্নগনি। নচা-ননাই চাওখৎপা, অপাম্বা থবক পাঙবা, হরাওবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: মায় পাকচবা অমদি ফংগে খন্না তানবা পোৎ ফংবগী নুংঙাইবসু লৈগনি। মীকোক থোংগনি, থৌনা লিংজেল ফুদোক্তুনা মাঙলোমদা চঙশিনবা য়ারনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, লেঙদবা লন চাওখৎনবা হোৎনবা য়াগনি, মীনা থাগৎপিগনি অমদি মরুপ মপাংগী মতেং লৌবসু য়াগনি। হোয়াদি ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।